# ইন্দিয়াদা কোবিদ–১৯ দগী ঙাকথোক্নবা ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরাংদা ক্রোর ১১৮.৪৪ হেল্লে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ ঃ

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোংদোরকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা ইন্দিয়াদা কোবিদ–১৯ ভেক্সিন দোজ ৭৬,৫৮,২০৩ কাপখ্রে হায়রি। মসি থারগা ইন্দিয়াগী কোবিদ ভেক্সিনেসন কভরেজ অসি ক্রোর ১১৮.৪৪ হেল্লে।

ঙসি অয়ুক পুং ৭ ফাওবদা ফংবা প্রোভিজিনেল রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী কোবিদ–১৯ ভেক্সিনেসন কভরেজ অসি ১,১৮,৪৪,২৩,৫৭৩ য়ৌখ্রে হায়রি।

হায়রিবা মশিং অসি সেসন ১,২২,৭১,২৫৭ গী মনুংদা কাপখিবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমেলি ৱেলফিয়ারনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়রি।

হেল্থ কেয়ার ৱার্কর ১,০৩,৮২,৭২৫না অহানবা ভেক্সিন দোজশিং কাপখ্রে অমদি ৯৪,২৬,৫১২ না অনিশুবা ভেক্সিনগী দোজশিং কাপখ্রে। ফ্রন্টলাইন ৱার্কর ১,৮৩,৭৬,৮৩৩ না অহানবা দোজ কাপ্লগা ভেক্সিন দোজ ১,৬৩,৬০,৫৯৭ গী অনিশুবা দোজ কাপখ্রে হায়রি। হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না পুন্না মীওই ৪৪,৬৬,৩৭,৫৫২ দা অহানবা দোজ অমদি ১৯,৮৯,৪৮,৮৪১ দা ভেক্সিনগী অনিশুবা দোজ কাপখিবসি চহি ১৮ দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদনি। চহি ৪৫ দগী ৫৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগী ওইনা মীওই ১৮,১৭,৬৪,০৫২ দা অহানবা দোজ কাপখি অমসুং অনিশুবা দোজনা ১১,৩৩,০২,৯৩৪ দা কাপখি। চহি ৬০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা ভেক্সিন দোজ ১১,৩৮,৩১,৭৭৮তা অহানবা দোজগী ওইনা কাপ্লগা ৭,৫৩,৯১,৭৪৯ দা অনিশুবা দোজ কাপখি হায়না রিপোর্ট অমনা পল্লি।

নাকল অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা লৈবাক অসিদা কোবিদ–১৯ গী অনৌবা কেস ৯,২৮৩ থেংনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ৱারোলদা পনখি। মসি থারগা ইনফেক্সনগী এক্টিব কেসলোদ অসি ১,১১,৪৮১ দা লৈদুনা নুমিৎ ৫৩৭ গী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বা মশিং ওইরি। পুং ২৪ গী মনুংদা কোবিদ–১৯ ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা মীওই ৪৩৭ শিখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা লায়চৎ অদুনা শিখিবা মশিং ৪,৬৬,৫৮৪ শুখ্রে।

## সি এন জিনা চেনবা ত্রক, তেম্পোশিং চংহনগনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ ঃ

কম্প্রেস নেচরেল গ্যাস (সি এন জি) না চলাইবা ত্রক অমসুং তম্পোশিংনা নবেম্বর ২৭ তগী হৌনা দিল্লিদা চংবগী অয়াবা পীরগনি হায়না দিল্লি ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর গোপাল রাইনা ঙসি ফোংদোকখ্রে।

হায়রিবশিং অসিনা ইসেন্সিয়েল সার্ভিসতা এনগেজ তৌরবা গারীশিংদি অকাইবা লৈরোই। কেপিটেল সিটি অদুদা পোল্যুসনগী চাং ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিবম লাকপদগী নবেম্বর ২২ দগী হৌনা পোৎচৈ পুবা অচৌবা গারীশিং হায়বসি মরু ওইদবা পোৎলমশিং পুবা কয়া সিটি অদুদা চংবা থিংদুনা পোল্যুসন হন্থনবা থৌরাংখি। দিল্লিদা অতৈ ফ্যুয়েলনা চলাইবা গারীশিং, ত্রকশিং চংবগী অথিংবদি অদুমক লৈখিগনি হায়না এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টরনা সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংগা লোয়নননা রিভিয়ু মীটিং অমা পাংথোক্লবা মতুংদা ফোংদোকখি।

পোল্যুসনগী চাং ৱাংখৎলকপদগী অথিংবা থম্লুরবা স্কুল, কলেজ অমদি অতৈ মহৈলোইশঙশিংগী ওফলাইন ক্লাসশিং নবেম্বর ২৯ দগী অমুক হৌরগনি হায়না মিনিষ্টরনা লাউথোকখি। গভর্নমেন্টকী ওফিস খুদিংমকসু হাংলগনি। গভর্নমেন্ট ষ্টাফশিংনা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট শিজিন্নগদবনি। মখোয়গীদমক অখন্নবা বসশিং দিপ্লোই তৌগনি হায়খি। হৌখিবা নিংথৌকাবা খক্তদা মমাংদা থম্লম্বা কন্সত্রক্সন অমসুং দেমোলেসনগী থৌওংশিং নুংশিৎকী চাং ফগৎলকপদগী অথিংবা লৌথোকখি। নবেম্বর ১৩ দা গভর্নমেন্টনা নুংশিৎ শেংদবদগী চাং ৱাংখৎলকপা মরমনা দিল্লিদা লৈবা মহৈলোইশঙ খুদিংমক থিংজিন্নবা ওর্দর থোকখিবসু লৈখ্রে।

## ইকাই খুম্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ ঃ

থৌনা ফবা, ইকাই খুম্নবা অমদি অসামগী নাৎ চৎনবিবু ঙাক্লম্বা লচিৎ বোর ফুকন হায়রিবা লাল্লোই অদুগী মফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

মহাক্কী থৌনা অমসুং কিবা নাইদবা মচৎপু নিংশিংদুনা অসামদা নবেম্বর ২৪ বু লচিপ দিবস হায়না পাংথোক্লুরি। মহাক্না মীওই খুদিংমক্তা চপ মান্ননা য়েংবা, অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা অমদি মশাগী ইকাই খুম্নবা ঙাকপগী ফিদম অমা থম্লম্বা মীশকনি হায়না শিংথাখি। মতম অমদা অহোম কিংদম ওইরম্বদা মহাক্না লান থেংনখি।

## কেদিলাগী কোবিদ–১৯ সোট শাগনি

বেঙ্গলুরু, নবেম্বর ২৪ ঃ

খা কোরিয়াগী এনজাইকেম লাইফ সাইন্সেসনা ইন্দিয়াদা শাজবা দি এন এ কোবিদ–১৯ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৮০ রোম শাগনি। মদু দোমেষ্টিক দ্রগমেকর কেদিলা হেল্থ কেয়ারদগী শাগদবনি হায়রি।

য়ান্নবা অমা পুরকখিবগী মতুং ইন্না কেদিলানা দি এন এ ভেক্সিন টেক্নোলোজি অদু এনজাইকেমদা ত্রান্সফার তৌগনি। এনকাইকেমনা শাবা ভেক্সিন অদু মখোয়না য়োনগনি অদুমকপু মদুদা কেদিলাগী ত্রেদ মার্ক য়াওগনি। পুথোক্কদৌরিবা ভেক্সিন অদুগী মমিং জাইকোব–দি হায়না থোনগনি। কেদিলানা লাইসেন্স ফি অমসুং রোয়েলিটি পেমেন্টশিং ফংগনি হায়না কম্পেনি অদুনা ফোংদোরক্লি।

টেক্নোলোজি অদুনা ভেক্সিনবু চৎনবা য়াবা মমলদা ফংহন্দুনা ষ্টেবল ওইনা থম্বা ঙমগনি হায়না এনজাইকেম লাইফ সাইন্সেসকী চিয়ারমেন কি য়ং সোন্না ফোংদোরক্লি। জাইকোব–দি হায়বসি নিদল য়াওদনা রিসোর্হ য়াম্না লৈতবা মীশিংনা খুন্দাবা মফমদা শিজিন্নবা য়াগনি। হায়রিবা ভেক্সিন অদু দোজ অহুমদা শাগনি। মদুগী অয়াবা লৈবাক অদুগী দ্রগ রেগ্যুলেটরনা আগষ্ট থাদা নহা অমসুং চহি ১২ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা কাপ্পা য়াবগী অয়াবা পীখি। অদুমকপু মসি লৈবাক অসিদা চথরিবা ভেক্সিনেসন দ্রাইবকী শরুক অমা ওইনা য়াওবদি লৈত্রি।

## ঈচাওগী তেংবাং ওইনা ক্রোর ১০০০ পীয়ু

অম্রাবতি, নবেম্বর ২৪ ঃ

হন্দক্তা চুখিবা অকনবা নোংজু অমসুং ঈচাওনা লুপা ৬,০৫৪.২৯ ক্রোর হেন্না অমাং অতা থোকহনখ্রবা মতুংদা অন্ধ্র প্রদেশ গভর্নমেন্টনা সেন্টরদা ইন্টরিম রিলিফ ওইনা লুপা ক্রোর ১০০০ অথুবা মতমদা থাদোরক্লবা হায়জখ্রে। মদু ঈচাওগী তেংবাং অমসুং শেমগৎ শাগৎপদা চংগদবনি হায়রি।

অন্ধ্র প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর ৱাই এস জগন মোহোন রেদিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সহাদা অকনবা নোংজু অমসুং ঈচাওনা নবেম্বর ১৩ অণসুং ২০ দা থোকহনখিবা অমাং অতাশিংগী অকুপ্পা ৱারোল ইদুনা খঙহনখি। ষ্টেট অদুগী অনন্তাপুরমু, কাদাপা, চিতুর অমসুং এস পি এস নেলোর দিষ্ট্রিক্টশিংদা থোকখিবা অমাং অতাশিংগী মতাংদা পনখি।

গভর্নমেন্টনা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা মীওইশিংগী পুন্সি কন্নবা হোৎনখি। অদুবু ষ্টেট দিজটর রেস্পোন্স ফোর্সকী কন্সটেবল অমা য়াওনা মীওই ৪০ শিখি। অমদি মীওই ২৫ না থিবা খঙনা লৈখি। লৈফম চাফম লৈত্রবা মীওইশিংগীদমক রিলিফ কেম্প ৩২৪ হাংখি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা অৱাবা নংলবা মীওই ৬৯,৬১৬ তা চংজফম পীদুনা হৌজিকসু রিলিফ কেম্পতা লৈরি হায়খি। চিফ মিনিষ্টরনা পনখিবদা হায়ৱে, ঈথৈ লৌখোংগী পুখ্রি অমসুং লৌফমশিংদা ঈশিং হেনগৎলক্কুনা লৌমীশিংদা চাউনা অকাইবা পীরি। মদুনা লম হেক্তর লাখ ১.৪২ দা থাবা মহৈ মরোংশিং মাংহনখি হায়রি।

## ইন্টরনেসনেল ফ্লাইটশিং মহৌশাগুম্না পাইবা হৌরগনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ ঃ

চহি অসিগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট ওপরেসনশিং মহৌশাগুম্না হঞ্জিল্লক্লগনি হায়না এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি রাজিব বন্সলনা ফোংদোকখি।

মী লৌথোক লৌশিন তৌবগী মিসনশিং অমদি মরু ওইবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা হিদাক লাংথক অমসুং চিঞ্জাক পুবা খক নত্তনা ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট খুদিংমক মমাং চহিগী মার্চ থাদা পাইহন্দনা থমখি। মতম অদুদা লৈবাক অসিদা কোবিদ লোকদাউন অমা চথখিবনি। ইনফেক্সনগী কেস মশিং হন্থরকপা, ভেক্সিনেসনগী কভরেজ হেনগৎলকপনা হান্না লৈরম্বা অথিংবশিং কোমথোক্কুনা অতৈ লৈবাকশিংগা য়ান্নবা কয়া পুরকখি। এয়ার ববল হায়না খঙনবা এরেঞ্জমেন্টশিং অদুগী ওইনা ইন্দিয়ানা য়ান্নবা ২৫ লৈরি। এয়ার ববল এগ্রিমেন্টকী মখাদা ইন্টরনেসনেলগী পেসেঞ্জরশিং পুবা ফ্লাইটশিং এয়ার ববগী মেম্বর ওইদবা লৈবাকশিংদা মী লৌথোক লৌশিন পাইশিনবা য়াই। অদুমকপু মদুগী কন্দিসন কয়া থমখি। মমাং চয়োল সিভিল এফিয়েসেন মিনিষ্টর জ্যোতিরাদিত্যা সিন্ধিয়ানা ফোংদোকখিবদা গভর্নমেন্টনা ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট ওপরেসনশিং মহৌশাগী ফিবম হঞ্জিন্নবা থৌরাং পায়খৎলি। করিগুম্বা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সনগী অনৌবা ৱেব অমা লাক্লবদি মদুদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং খুদক্তা পায়খৎকনি। অচৌবা য়ুরোপকী লৈবাক খরনা নুমিৎ খুদিংগী অনৌবা কেসশিং হেনগৎলকপদা অকিবা পোক্লখিবদগী চয়েৎনবা কয়া লাকখিবনি। দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিংদি লোকদাউন মনুংদা অথিংবা কয়া থমখি। অদুমকপু মমাং থাদগী হৌরগা মপুং ফনা পাইবগী অয়াবা পীখি হায়রি।

এয়ারলাইনশিংনা অহানবদা প্রি–কোবিদ রুটশিংগী চাদ ৩৩ গী চাংদা ওপরেট তৌবগী অয়াবা পীখি। হায়রিবা কেপ অদু তপ্না তপ্না চাদ ৮০ গী চাং য়ৌরকখিবসি মমাং চহিগী দিসেম্বর থাদগীনি। ওকুপেন্সিগী চাংনা চাদ ৫০ য়ৌরকখিবসি চহি অসিগী জুন থাদানি। মদু লৈবাক অসিদা ইনফেক্সনগী অনিশুবা ৱেব য়ৌখ্রবা মতুংদনি।

# লৌমীগী লো শেম্নবা খোঙজংবু মীওই খরগী থৌইনশিন্দা ককখিবা য়ানিংদে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া, মনিপুর ষ্টেটনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মাইপাক্লে মতাগুম দেমোক্রেটিক ওইবা ফার্মর লো শেম্নবা খোঙজংবু থাওইদনা মীওই খরগী থৌইনশিন্দা ককথৎখিবা য়ানিংদে হায়রি।

পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী চিয়ারমেন ও এম এ সলামগী ৱারোলদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মাইপাক্লে মতাগুম দেমোক্রেটিক ওইনা শাংনা নৈনদুনা লাকপা লৌমীশিংগী লো শেম্নবা খোঙজংবু থাওইদনা ককথৎখিবসি লাইবক থিবনি।

মনিং মখা তম্বা ইন্দিয়াগী মীয়ামশিংনা মীখা পোন্দনা হিংবগী হক অদু ঙসিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাঙাংনা নিংবা কাইহল্লে। মতম কুইনদগী চংশিল্লকপা য়াম্না হিষ্টোরিকেল ওইবা খোঙজং অমবু করিসু থৌওইদনা কনাগুম্বা খরগী থৌইনশিন্দা লৌমীশিংগী লো শেম্নবা দিমান্দ ককথৎপা হায়বসি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদা কালি তৈশিনবনি। লৌমী মীয়ামবু খোঙজং অসি মখা চখনবা অচৌবা ইহৌ অমা পুরক্লবা বার্ত্তন তৌবনি হায়দবা ঙল্লোই।

মসিগী অচুম্বা ফল লাক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশ এসেমব্লিগী মীখলদা তশেংনা উবা ফংগনি। বি জে পি গভর্নমেন্টকী মায়পাকপা নত্রগা মায়থিবা হায়বসি ইলেক্তোরেল মশিং য়াম্না লৈবা ষ্টেট অমদনি। লৌমীশিংগী লো ককথৎখিবসিদা মখোয়না কৈদৌনুংদসু পেল্লোই। কেপিটেলিষ্টসিংনা লৈবাক অসিগী লাইরবা লৌমীশিংবু য়োৎশিনখিদৌরে হায়বসি মুন্না খঙই। ইন্দিয়াগী মীয়াম্না গভর্নমেন্টকী থৌওং অদু অরানবনি হায়বা খঙই। লৌমীশিংবু নুংশিবা কাংবুশিংনা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লেপ্লক্কনি হায়বসি লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা চংশিল্লকপা খোঙজংদা মতেং পাংদুনা লৌমীশিংগী পুন্সি কনবদা ঐখোয়গী থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফ ফদে হায়নিংই। মায়পাক্লে খল্লিবা গভর্নমেন্টকী থৌওংবু মার্জিনেলাইস সেক্সনশিংনসু মীয়ামগী হকশিং নমথনবা হোৎনরিবা অনকন্সটিট্যুস্নেল ওইবা গভর্নমেন্টকী খোঙথাং সি এ এ অমসুং এন আর সিগী মায়োক্তসু লেপ্তুনা খোল্লাউ লাউমিন্নবা তঙাইফদ্রে হায়না পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী চেরোল অদুদা পল্লি

## সোরা হায়স্কুল লাক্কদৌরিবা সেসন হৌবা নংনবা শেমউ

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

ককচিং এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চনবা গভর্নমেন্টগী হায়স্কুল অমা ওইরিবা সোরা হায়স্কুল অসি সেসন ২০২২–২৩ গী হৌবা নংনবা শেমজিল্লু হায়না ওল সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না গভর্নমেন্টকী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ঙসি লো সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী থৌমীশিংনা পাউমীশিংগা লোয়নন সোরা চীং ৱাংমদা লৈবা স্কুল অদুগী নৌনা শাবা লোইখ্রবা অমসুং শাবা লোইশিন্দ্রিবা স্কুলগী শঙশিং য়েংলবা তুংদা য়ুনিয়ন অদুগী প্রসিদেন্ট এমদি অদিল সাহিদনা ফোংদোরকখিবদা সোরা হায়রিবা খুঙ্গং অসি লাইরবা ইমুংনা য়াম্বনা অরাপ্পা ককচিং য়ৌনা নত্রগা লনাইগী স্কুলশিংদা চৎতুনা মহৈ তম্বা ঙমদবনা অয়াম্বনি। কুম ২০১৩দা সোরা জুনিয়ার হায়স্কুলবু সোরা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেট তৌখি। কুম ২০১৫ দা মহৈরোয়শিং মিং চন্দুনা ৩০০ লোম লৈরম্লে। অদুবু স্কুল শঙ মতি চানা গভর্নমেন্টনা শেমদবনা ওল্লকপা চহিদা মহৈরোয় মশিং খঙহন হন্থরকখি। সোরা চীং ৱাংমদা লৈবা হায়স্কুলগী শঙ অদু ক্লাস রুম খরা গভর্নমেন্টনা শাবা হৌদুনা লোইখিবসু য়াওরে। শাবা হৌরম্লগা লোইশিন্দনা লৈরিবা ক্লাস রুমশিংসু লৈরি। লাইবক থিবদি ঙাকপি শেনবিদবা, চৌকিদার লৈতবা অমসুং স্কুল অদুগী মতিক চাবা ফেন্সিং লৈতবনা শানৈ য়ুনৈফম ওইদুনা লৈবগী মওংদা লৈরম্বসু ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা থেংনরে। স্কুল অদুদা তঙাইফদবা নুপা অমসুং নুপীগী মপান থোকফম, খোঙ হামফমসু অমত্তা শাদদুনা লৈরি। মনিপুর গভর্নমেন্টকী অমত্তা ঙাইরবা সোরা হায়স্কুল অসি সোরাদা লৈরিবা লুচিংবশিং অমদি মনিপুর গভর্নমেন্টকী মরি লৈনবা লোইশঙ অমদি মনিপুরগী সি এমনা মীৎয়েং চংদুনা অথুবা মতমদা শেমগৎতুনা ২০২২–২৩ গী সেসন্দগী মহৈ তম্বা হৌহল্লু। ওল সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না হায়রিবা অসিদা গভর্নমেন্টনা তাদ্রবদি য়ুনিয়ন্না সোরাগী মীয়ামগা লোয়নননা অকনবা খোঙজং চংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না ফোংদোরকখি।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা য়ুনিয়ন অদুগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমর, সেক্রেটরি নৱাজ সরিফ অমদি থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

## কোমথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

হয়েংদগী হৌরগা চথগদবা পুং ৭২ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক হায়বদি নবেম্বর ২৫ দগী ২৭ ফাওবা অসিগী মনুংদা কোমথোক্কদবশিং অদুদি– ইসেন্সিয়েল সার্ভিস, হেল্থ দিপার্টমেন্ট, মেদিকেলগা মরি লৈনবশিং, ইলেক্ট্রিসিটি, ৱাটর সপ্লাই, ফয়ার সার্ভিস হায়বসিনি। মথক্তা পল্লিবা ইসেন্সিয়েল সার্ভিসশিংদা কোমথোক্কনি, জেনরেল ষ্ট্রাইক্তা করিমত্তা অপনবা পীরোই হায়রি।

## ফমুংদগী হেন্দ্রবা অনাবশিং লায়েংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

চিফ মিনিষ্টরগী হেল্থ ফোর ওলগা মরি লৈননা খুন্দ্রাকপম এ সিগী বি জে পি ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ডাঃ ক্ষেত্রিময়ুম কালা সিংহনা য়ুম য়ুমদা চংদুনা অহল ওইরবা মীওইশিংগী হকচাংগী চেকঅপ তৌখ্রে।

অনাবশিং অদুগী হেল্থ চেকঅপ তৌবদা পুখ্রম্বম শান্তি দেবী, সাইরোম আশাপতি দেবী অমদি অবুজম ইবেথোই দেবীনা মতেং পাংখি।

দাক্তরনা অনাবশিংগী ব্লদ প্রেসর অমদি ব্লদ সুগরগী চাং য়েংখি। লম্বোইখুল, কৈবীখুলেন অমদি তরেৎখুলগী মীওই ৫০ রোম হেল্থ চেকঅপ তৌখি। মদুগা লোয়নননা তঙাইফদবা হিদাক্লচিংবসু লেম্না পীখি। দাক্তরনা ফমুংদা লৈরিবা অনাবশিংবু য়েংশিন্নবা মখোয়বু মশা ফনা থম্বা তঙাইফদে হায়রদুনা সি এম ঐচ টিগী হকশেলগী তেংবাং নত্রগা পি এমগী অয়ুসমান ভারতকী হেল্থ কার্দশিং শাবগা লোয়না কোবিদ–১৯ ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন কাপ্লবসু খঙহনখি।

## সঙ্কৃত্তন দে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

মনিপুর গভর্নমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মনিপুরগী গভর্নরনা দিসেম্বর ৪ বু সঙ্কৃত্তন দে হায়না লাউথোক্লে হায়রি।

হায়রিবা নুমিৎ অসি মনিপুর ষ্টেটকী ওইনা চৎনগনি হায়নসু পল্লি। হায়রিবা ওর্দর অদু মনিপুর গভর্নমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম জয়না গভর্নরগী মিংদা থোকপনি।

## কম্বল য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

সাই বাবাগী ৯৬ শুবা মপোক কুমওন ঙরাং শগোলবন্দ তেরা অখাম লৈকাইদা লৈবা কাওবম সাই মন্দিরদা পাংথোকখ্রে। মদুগা মরি লৈননা অহল ওইরবশিংদা কম্বল খুদোল তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

সাই নিংবশিংনা লাইশোল ঈশৈ ১২ শক্তুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা লাইনিং তুংইনবশিংগী মফমদসু কম্বল অমদি মোজাফুরিৎশিং য়েন্থোকখি। তেরাগী সাই মন্দিরগী লাইনিংবশিংনা পুরানা রাজবারি নোংমৈবুংদা লৈবা আর দি এস দব্রিয়ু ঐচতা লৈবশিংদা খুদোল তমখি।

## লাংজিং অচৌবদা এৱার্নেস পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

সেলিন দিজিটেলনা লেপ্তনা চথরকপা কোবিদ–১৯ এৱার্নেস কম পোষ্টর কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু লাংজিংদা পাংথোকখ্রে।

লাংজিং অচৌবদা পোৎফম ফম্লিবা অমদি পোৎ লৈবা লাক্লিবশিংদা কোবিদ–১৯ গী এৱার্নেস পীখি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনাজিৎ সিংহনা ফোংদোকখিবদা কোবিদকী লায়চৎ অসি মীয়ামগা লোয়নদুনা লৈরি। মরম অসিনা পোৎ য়োল্লিবা অমদি লৈবা লাক্লিবা পুম্নমক্না লৈঙাক্না পিরিবা এস ও পি অসি নিংথিনা ঙাকসি। লায়চৎ অসি মীওই পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা থিংমিন্নবা চংই। মসি লৈঙাক খক্তনা থিংবা ঙমগদবা নত্তে হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না ৱাখল তামিন্নসি হায়খি।

কেম্পইন অদুদা সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসার কেএসঐচ জেমস সিংহ, আর ও–এস শন্তি শর্ম্মা অমদি সেলিন দিজিটেলগী এগজিক্যুটিব মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি। কোবিদ–১৯ পেন্দেমিক্না অকনবা মওংদা শন্দোরকপা মতমদা লনাই লুপ কয়ানা মশাগী অৱা অনা কয়া থাদোক্তুনা মীয়ামবু কন্নবা হোৎনখি।

## বেনিফিসরিশিংদা স্কিমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

সেনাপতিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার মহেস চৌধুরিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা দি সি ওফিস কমপ্লেক্সতা ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিল দিপার্টমেন্টকী মখাদা তোঙান তোঙানবা বেনিফিসরিশিংগী স্কিম য়েন্থোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বেনিফিসরি ১৪ দা রুরেল সেন্টর ফোর সেদ্যুল ত্রাইবকী মখাদা সি জি আই সিটশিং (জিজ্ঞ) য়েন্থোকখি। মেদিকেল এন্দ হেন্দিকেপ ৱেলফিয়ার স্কিমগী মখাদা দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনগী ওইনা মেটরিয়েল এইদস অহুম অমদি সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট ফোর ইকনমিক অপলিমেন্টগী মখাদা সেৱিং মেছিন অহুম য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা টি এ এন্দ ঐচ কী দিপ্যুটি দাইরেক্তর এম জিলা সিংহ, এস ও–ঐচ লোহরি হেনি অমসুং দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]